# রিচার্দ মীশি কর্নাটকাগী সিআইদি স্পিসিয়েল য়ুনিটনা থিগৎকদৌরি

*- বিজেপি মণিপুর প্রদেশ*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ৬:*** হৌখিবা এপ্রিল ১৮দা বেঙ্গলোরদা মহৈ তম্বা মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম লৈখিদবগী থৌদোক অদু কর্নাটকাগী সি আই দি স্পিসিয়েল য়ুনিট অমনা থিগৎহন্নবা কর্নাটকা সরকারনা থবক লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্ত্রবদি মখাতাবা খোংজং চংশিন্নবা বি জে পিনা শেম শাদুনা লৈ হায়না বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মানা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী ডিরেক্টর জেনরেল অমদি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা কেস অদু মখা তানা থিজিন্নবা ডি জি পি সি আই ডি স্পিসিয়েল য়ুনিট এন্দ ইকনীক ওফেন্সতা জুন ৫দা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপা ঙমদ্রবদি অমদি মদুগী রিপোর্ট অদুনা মীয়াম পেলহনবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী পার্টিনা মখা তাবা খোংজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

বেঙ্গলোরদগী ঙসিখক ইম্ফালদা থুংলখিবা লুচিংবা অসিনা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা অমা খংনবা মহাক মশামক মে ২০দা বেঙ্গলোরদা চৎপনি। মতম অদুদগী হৌনা ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্নবা তক্লন্দুনা লাকপনি। লোয়ননা কেস অসি সি বি আইদা শিন্নবা তকশিন্দুনা লাকপনি। ম ত ম থেংথরকপগী মতাংদা মহাক্না হায়, ষ্টেট অদুগী হান্নগী ডি জি পি অদু মে ৩০দা থবক্তগী পোত্থাখিবা অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হোম অসিসু ওফিসার ময়াম ত্রান্সফর তৌবদা য়াওখিবনা মদুগী থবক শিন্দোক শিঞ্জিনদা মতম চংবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মণিপুরি মৈতৈ এসোসিয়েসন বেঙ্গলোরগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারি শান্নরকখি। হৌজিক বেঙ্গলোরদা মীশি অসিগী মতাংদা লৈরিবা মহৈরোই লুপ তরুক্কী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারি শান্নরকখি। থৌদোক অসিগা মরি লৈননা মণিপুরদা লুপশিংনা কর্নাটকাগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং থিংবা, হোর্দিংনচিংবা শেগায়বগী থবক চথরিবা অসি লেপ্পিনবা আপিল তৌখি।

মসিনা মপান্দা মরু ওইনা বেঙ্গলোরদা লৈবা মণিপুরিশিংদা মীপায়বা পোকহন্দুনা ৱাখল লৈতাহন্দনবা মচাক ওইহনলে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা একুজ অনি অদু কর্নাটকাগা মরি লৈনবা নত্তবনা অসি থিগৎপদা অচান মীরাই নাইরোই হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## কর্নাটকাগী সিএমগা ৱারী শান্নবদা য়ানখিদ্রে

***ইম্ফাল, জুন ৬:*** রিচার্দ লোইতাম মীশি সিবিআইদা শিন্নদুনা থিগৎহনগদবনি হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখিবা মহৈরোই লুপ ৬কী লুচিংবশিংনা ঙসি কর্নাটকাগী চিফ মিনিষ্টর সদানন্দ গোড়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মহৈরোই লুচিংবশিং অদুগী মায়কৈদগী রিচার্দ মীশিগী মতাংদা পীরিবা পোষ্ট মোর্তেম রিপোর্ট অদু য়ানিংদে। মীশি অসি সিবিআইদা শিন্নগদবনি হায়না পুখৎখিবা ৱাফমশিং কর্নাটকাগী সিএম না য়ারকখিদবগা লোয়ননা মদু মখোয়গী ষ্টেটকী ওইবা থাক্তা থিজিনগনি হায়রকপদগী ৱারী শান্নবা অদু লৈখাই তাদনা থোরকখ্রে। মখা তানা মহৈরোই লুপশিং অদুনা মখা তাবা খোঙজংগীদমক বেঙ্গলোর মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপ কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়রি। মরকসিদা লৈবাক শীনবা থুংনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইদুনা লৈরিবা মণিপুরগী মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম শিখিবা মীশি অদু ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সি আই দি) তা থিজিলহন্নবা খুৎশিন্নখ্রে।

সি আই দিগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস লালরোখুমা পাচৌনা পাউমীশিংগী মফমদা ঙসি কেস অসি মরিক চুম্না থিজিন্নবা এজেন্সি অসিদা শিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মমাংদা মদনায়াকানাহল্লি পুলিসনা লোইতামগী মীশি অসি কনাগুম্বা মীওই খরনা হাৎখিবনি হায়বা ৱাফম অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। পোষ্ট মোর্তেম রিপোর্টতা লোইতাম অসি হার্ট ফেল ওইদুনা শিবনি। মশাদা অশোক অপন থোকপদগী শিখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু লোইতামগী মরুপ মপাং অমসুং ইমুং- মনুংনা ৱাফম অসিদা য়ানিংদবগা লোয়ননা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চখনবা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী কেস অসি সি আই দিদা খুৎশিন্নখিবনি।